# দুরান্দ কপ : লাল্লোমকিমাগী গোল ২গী মতেংনা আর্মি গ্রীননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
পি সী লাল্লোমকিমানা চনখিবা গোল ২ অমদি সোমেশ কোথারিগী গোল ১গী মতেংনা আর্মি গ্রীননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু ৩-১দা চথরিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনট ফাওবদি লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। আর্মি গ্রীনগী সোচিন ছেত্রিনা হেদিং তৌদুনা পীরকপা পাস অমগী মতেংদগী লাল্লোমকিমানা অনকপা রেঞ্জতগী গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং আর্মি গ্রীনগী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী দিফেন্সতা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি। ছেত্রি অমদি রোইল লেপচা অনীনা পুশিল্লক্তুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী পোষ্ট তম্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোলকিপরনা ঙাকথোক্তুনা থক্তোরকপা বোল অমা সোমেশ কোথারিনা হেদিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা আর্মি গ্রীনগী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

আর্মি গ্রীনগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা লাল্লোমকিমানা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। মহাক অহানবা হাফ লোইরমদাইগী ইঞ্জুরি টাইমদা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

মহাক্কী টিমমেট সেবিন ভর্গিসসু অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ৪৬ শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

আর্মি গ্রীননা মখা তানা গোল হাপচিন্নবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা অকনবা মওংদা এটেক কয়া চথখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা অলফ্রেদকী পাস অমগী মতেংদগী দিপু মির্ধানা গোল ওন্থোক্তুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা আর্মি গ্রীনগী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মোহমেদন স্পোর্টিং ক্লবনা জমশেদপুর এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মোহমেদনগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রাহমন ফাস্লু, অভিশেক হল্ডর অমদি ফায়াজনা শান্নবগী ৩৮, ৭১ অমদি ৭৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

# প্রেমিয়র লীগ : লীদস য়ুনাইটেদনা চেলসি, ব্রাইটননা ৱেষ্টহেম মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
লীদস য়ুনাইটেদনা চেলসিবু ৩-০দা চথরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি এলান্দ রোদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

ব্রেন্দন এরোনসননা মেন্দিগী পাস অমগী মতেংদগী শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা লীদস য়ুনাইটেদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা লীদস য়ুনাইটেদকী ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমা হেরিসননা নীংথিনা কাওরক্তুনা পেনাল্টি এরিয়া মনাক্তা থাদদুনা রোদ্রিগো মোরেনোনা হেদিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা লীদসকী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা চেলসিবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা লীদস য়ুনাইটেদকী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা জেক হেরিসননা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী ৮৪ শুবা মিনটতা চেলসিগী কালিদো কোলিবালিবু রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। মহাক্কী অহানবা য়েলো কার্দ অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা লীদসকী অহানবা গোল চনখিবা এরোনসনগী ফুরিৎ চিংলুবগী বূক তৌখিবনি।

মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্ন দবদগী লীদস য়ুনাইটেদনা চেলসিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, লন্দন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রাইটন এন্দ হোভ অলবিওননা ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদপু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

এলেসিস মেক এলিষ্টরনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা স্পোট কিক্ অমগী মতেংদগী ব্রাইটনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। পেনাল্টি অদু ব্রাইটনগী জৌমানা পুশিল্লকপা বোল অমা ১৮ য়ার্দ বোক্স মনুংদা ৱেষ্ট হেমগী দিফেন্দর থিলো কেররনা লৌনবা হোৎনবদা ফোল তৌরুবগী রেফরিনা য়েলো কার্দ পীবগা লোয়ননা ব্রাইটনগী ফেভরদা পেনাল্টি অদু পীখিবনি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা ব্রাইটনগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা লিন্দ্রো ট্রোসসার্দনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ব্রাইটননা ৱেষ্ট হেমবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি সেন্ট জেমস পার্ক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটি ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

ন্যু কাসলগী গোলশিং অদুনা মিগেল অলমিরিওন, কেল্লম ৱিলসন অমদি কিরান ট্রিপ্পিয়রনা শান্নবগী ২৮, ৩৯ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী গোলশিং অদুনা ইলকে গুন্দোগন, অর্লিং হালান্দ অমদি বর্নার্দো সিলভানা শান্নবগী ৫, ৬০ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।



## ইম্ফাল ৱেষ্ট যোগসনা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
যোগসনা স্পোর্টসপু প্রমোট তৌদুনা প্লেয়রশিং শেমগৎনবগী পান্দমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস কম্পিটিসন সেপ্টেম্বর ৩ অমদি ৪দা উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি।

কম্পিটিসন অসি মণিপুর ষ্টেট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা অমদি নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসনগী গাইদলাইন মতুংইন্না পাঙথোক্কদবনি।

কম্পিটিসন অসিদা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ৫-ট্রেদিসনেল যোগসনা ইন্দিভিজ্যু-এল, আর্টিষ্টিক যোগসনা সিঙ্গল, আর্টিষ্টিক যোগসনা প্যের, আর্টিষ্টিক গ্রুপ অমদি রিদমিক প্যের হায়না খায়দোক্তুনা অথোই-অহেন তান্নগনি।

### এস বিরেন্দ্র সুপর দিভিজন লীগ

## এন সী ক্লবনা সী ঐচ আই কে এল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন সী ক্লব খোংহাম্পাৎনা সী ঐচ আই কে এল চজিংবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এন সী ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ও প্রেমচান্দনা শান্নবা হৌরকপগী ৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি ঐচ রোবিননা শান্নরোয় অহুম এন সী ক্লবকী রোশন অহানবা হাফ লোইরমদাইগী ইঞ্জুরি টাইমদা অদুগা চজিংগী এ নাওবা অমদি ৱাই ওলিবস শান্নবগী ৩৬ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱাই দি ও লমদোং অমদি এস এফ সী তেরা নুংথিল পুং ২.১৫দা লম্বা তৌনরগনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট নুপীগী ফুটবোল টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএ-সননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ষ্টেট গেমসতা ইম্ফাল ইষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা নুপী ফুটবোল টিম ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা ঈ এস য়ুগী রবিনা থৌদাম, ৱাই দব্লিয়ু সী (টি ঐচ)কী এ কাজল; দিফেন্দরদা য়ু পি এস এগী ফিজম অশিলা চনু, পি ঐচ নির্মালা, এম পি এস সীগী ৱাইখোম কনচন চনু, রেবিকা ওইনাম, ৱাই দব্লিয়ু সী (এল)গী ফিজম অঞ্জলি চনু, ঈ এস য়ুগী কাংবম অনিতা; মিদফিল্ডরদা ঈ এস য়ুগী ৱাই কিরনবালা চনু, ৱাই বিদ্যাঙম্বী, এম পি এস সীগী অরুবম নিলম চনু, থাংজম কৈন্যকুমারী, কে অঞ্জু চনু অমদি ৱাই দব্লিয়ু সী (টি ঐচ)কী জি অঞ্জু চনু; ষ্ট্রাইকরদা এম পি এস সীগী এস রিনারোই, ঈ এস য়ুগী সুল্টানা এম এস, য়ু পি এস এগী এন শিবানি অমদি সানাবম উমা চনুনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা টিম মেনেজর এস মনিতোম্বী অমদি টিম কোচ এস প্রেমকান্তদা থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পুং ৭.৩০দা মখোয়-মখোয়গী পাসপোর্ট ফোটো ২ অমদি আধার কার্দকা লোয়ননা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা রিপোর্ট তৌরনবা এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর ঐচ মেঘচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

### এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

## দি য়ু সী, ৱাই দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা দি য়ু সী চরাংপাৎ অমদি ৱাই দি সী খোইরোম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই দি সী খোইরোমনা এস ৱাই দি এ থৌবাল অথোকপমবু ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে ঐচ বির্জিৎনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা খোইরোমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। এস ধনবিরনা শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা অথোকপম টিমবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা এম কিষন, এস গোবিনচন্দ্র অমদি ৱাই লনচেনবনা শান্নবগী ৫৭, ৭৫ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা খোইরোম টিমগী গোল অমমম্গা হাপচিন্দুনা অথোকপমবু ৬-০দা মায়থীবা পীখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা অথোকপমগী মোমোকান্তবু শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দি য়ু সী চরাংপাৎনা আর পি য়ু পাপলবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চরাংপাৎকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দয়ালসনা, শিটল, জোলি, সাগর অমদি মহেশকুমারনা শান্নবগী ১৯, ৪০, ৪৯, ৬১ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। আর পি য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঐচ ললিতনা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল রোজিৎনা আর পি য়ুগী শান্নরোয় ২ কে মনি অমদি কে চন্দ্র শান্নবগী ২২ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

## নুমিৎ ২০নিগী ওইবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট অসিদগী হেন্না অচঙবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল প্লেয়রশিং পুথোক্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ২০নিগী ওইবা গ্রাসরুট ফুটবোল কোচিং কেম্প ঙসি অয়ূক ময়াং লাংজিং তমাংদা লৈবা কাংজৈবুংদা হৌদোকখ্রে।

কোচিং কেম্প অসিদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ৪০ রোম্না শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা প্রধান তখেল্লম্বম তোম্পোক মৈতৈ, কে কেতন, কে ঐচ জিবোন, এল ইবোমচা, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপার্জিৎ নিংথৌজম, ময়াং লাংজিংগী প্রধান চোংথাম বসন্তনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## ক্ষেত্রিময়ুম ইবোবী দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী ২০২২ দগী ২০২৬ ফাওবগী চহী ৪গী থৌ পুনবা ঙসি পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মীখলদা য়েৎনবা লৈতনা জুভেনাইল এসোসিএসনগী ক্ষেত্রিময়ুম ইবোবীবু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

ঙসিগী মীখল অদুনা দব্লিয়ু এফ এগী ডা. টি ঐচ ওজিৎ, য়ু বি এস এ মান্তককী এম কে মোহনজাও কোম, এল এম এল সী সী লাংমৈদোংগী চোংথাম মনিশ্বর অমদি কে এফ সী ককচীংগী মোইরাংথেম টিকেন্দ্রজিৎপু ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। দব্লিয়ু এফ এগী এম ধনচন্দ্রনা ট্রেজরর ওইনা খনখি।

এ কে কে এস এগী টি ঐচ কিরনকুমার, দি ৱাই এগী য়ুম্নাম রবি, য়ু সী সীগী মোইরাংথেম তোমৈ, এ আই এফ এগী লাইতোঞ্জম বঙ্কিমচন্দ্র অমদি সেনা এথলিট ওর্গনাইজেসন (সাও)গী নাওরেম লোকেন্দ্রোবুনা ক্লব রিপ্রজেন্টেটিভশিং ওইনা খনখি।

### বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ

## পি ভি সিন্ধু তোকখিবদগী লক্ষ্য সেন, ঐচ এস প্রনোয়না লুচিংলগনি



টোকিও, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
অশোকপনা মরম ওইরগা পি ভি সিন্ধুনা দিকেদ অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিদবদগী চহী নৌরিবা লক্ষ্য সেন অমদি ঐচ এস প্রনোয়না টোকিওদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া টিম লুচিংলগনি।

লেমজনিংঙাই ওইরবা বি দব্লিয়ু এফ টুর্নামেন্টকী অফাওবা ফিগর অমা ওইরিবী ২০১৯দা গোল্ড মেদল য়াওনা মেদল ৫ ফংখ্রবী সিন্ধুনা হন্দক্তা বর্মিংহমদা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ গেমসতা খোঙজেংগী শরুক্তা অশোকপা লৈখিবদগী জপানগী কোনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

লৈবাক অসিনা ২০১১গী ইদিসনদগী লেপ্পা লৈতনা মেদল লৌদুনা লাকখি। মমাং চহীগী ২০২১ ইদিসনদা শ্রিকান্থ অমদি লক্ষ্যনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌরকখিবনি। অদুবু মখোয় অনীনা হন্দক্কী চহী অসিদা মমাং চহীদগী হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীনবা শেম শারি।

### সিন্সুনাটি ওপন : ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা বোর্না কোরিককা ফাইনেলদা থেংনরগনি



ওহিও, ওগষ্ট ২১ (এজেন্সী):
মরিশুবা সিদেদ ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান দানিল মেদভেদেভপু চথরিবা সিন্সুনাটি ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ৭-৬ (৬), ৩-৬, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা সিটসিপাসনা অহানবা ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেলদা বোর্না কোরিককা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, বোর্না কোরিকনা ক্রোএসিয়াগী কেমরুন নোরিবু ৬-৩, ৬-৪দা অহানবা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা এ টি পি মাষ্টর ১০০০দা মহাক্কী অনীশুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ক্রোএসিয়াগী শান্নরোয় বোর্না কোরিকনা মহাক্কী করিয়রদা গ্রিককী ষ্টেফানোস সিটসিপাসকা থেংনগদৌরিবা অসি অহুম্লকশুবনি।

## এস এস য়ুগী ফুটবোল অমদি ক্রিকেট টিমগী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
থা অসিগী ২০দগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াগদবা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজমৈগী ফুটবোল টিম অমদি ক্রিকেট টিমনা শেৎকদবা য়ুনিফোর্ম অমদি কিটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি শীংজমৈ ককৱাদা লৈবা এস এস য়ুগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা এস এস য়ুগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম এস এম ঈগী নেসনল বোর্দ মেম্বর রোবিন ব্লেক্কিনা এস এস য়ুগী য়ুনিফোর্ম অমদি কিটশিং স্পোন্সর তৌরকখিবা বি আই পি এল মণিপুর ব্রাঞ্চকী দিরেক্টর এন ইবোচৌবা, আর এস এসকী প্রোপাইটর রোনেল অমদি দাইনামিক নোর্থ ইষ্ট য়ুনিটকী মার্কেটিং মেনেজর দিজাঙ্গোবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।


## লিগার্সন, ষ্টেলিন পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচ এন এস):
মালেসিয়াগী কালা লুম্পুরদা হন্দক্তা থা অসিগী ৯দা মালেসিয়া মুইএ থাই ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র য়ুঠ (আই এফ এম এ) মুইএ থাই ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মেদল ফংলকখ্রবা ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয় অনী নাওরেম লিগার্সন মঙাং অমদি খুন্দ্রাকপম ষ্টেলিন অনীবু ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলবগা ওর্গনাইজেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি এ শঙ্কর অমদি পেরেন্টশিংগা লোয়ননা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

লিগার্সননা চহী ১২-১৪ কাঙলূপকী কেজি ৪২-৪৪গী ফাইট ইভেন্ট অমদি ষ্টেলিননা চহী ১৭-১৮গী ৱাইক্রু ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখিবনি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 550**

**H. Mueller - R. Kohler**
**Germany 7cup corr BdF, 1967**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 Nc6 | 6.Nxc6 bxc6 | 7.e5 Nd5 | 8.Ne4 Qa5+ |
| 9.Bd2 Nb4 | 10.f4 Qd5 | 11.Nc3 Qd4 | 12.Bd3 Nxd3+ |
| 13.cxd3 Qxd3 | 14.Rf1 Rb8 | 15.Rf3 Qd4 | 16.Qc2 Qg1+ |
| 17.Rf1 Qxg2 | 18.O-O-O Ba6 | 19.Rg1 Qxh2 | 20.Rh1 Qg3 |
| 21.Qa4 Qd3 | 22.Be1 Qe3+ | 23.Bd2 Qb6 | 24.b3 Bb4 |
| 25.Ne4 Bxd2+ | 26.Kxd2 O-O | 27. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 549 Ans. :**

33. ...Rf6 34. Qe4+ Qf5 35. Qxf5+ Rxf5 The black rook captures White's queen, which was defending the square f1. 36. Rxe7 Rf1+ 37. Re1 Rxe1+ 38. Rd1 Rxd1# Back-rank mate
33. ...Rxe5 34. Qxe5 Rf6 35. Qe4+ Kh8 36. Rd1 b4 37. g4 Qd6 38. Qe3 Rf8 39. Qe6 Qf4 40. d6 Qd4 41. Rxd4 Rf1+ 42. Rd1 Rxd1#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com